# সনালৈবাক স্পোর্টস





ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা এস দব্লিউ সি গ্রাউন্দা হৌখিবা মোইরাংথেম ইবোবি মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী হৌদোকপগী থৌরমদা পাংথোকখিবা

## মোইরাংথেম ইবোবি মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬

### মফম অনীদা হৌখ্রে অহানবা মেটচতা কে আই ৱাই সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৪ ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না ঙসিদগী তোঙান তোঙান্বা গ্রাউন্দ অনী এস দব্লিউ সি খোঙমন অমদি কে সি গ্রাউন্দ খুন্দ্রকপমদা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা মোইরাংথেম ইবোবি মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ শান্নদুনা হৌখ্রে।

অহানবা মেটচতা এস দব্লিউ সি গ্রাউন্দ খোঙমননা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রি ইরিল মপাল অমদি এম ঐচ জি এ য়ু হাতা গোলাপটিনা শান্নখিবা মেটচতা কে আই ৱাই সি না গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা কে সি গ্রাউন্দ খুন্দ্রাকপমদা শান্নখিবা মেটচতা এস এস সি পোরোম্পাৎনা বি পি ৱাই সি বাসিখোং গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

খোঙমনগী এস দব্লিউ সি গ্রাউন্দদা এম ঐচ জি এ য়ু অমদি কে আই ৱাই সি না শান্নখিবা অহানবা মেটচ অদুগী কে আই ৱাই সি গী মায় পাকপগী গোল অনী অদু লুখোহো অমদি এল ইবোসানা ১৩ অমদি ৬২ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি। এম ঐচ জি এ য়ু গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এম দি ইজসনা ৫০ শুবা মিনটতা চনখিবনি।


মেটচ অদুগী ৩০ শুবা মিনটতা কে আই ৱাই সি গী দব্লিউ প্রিয়ানন্দদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

ৱাই ইঙোবী সিংহ , মোসেস সারিও, ৱাই দেবাচন্দ্র অমদি টি প্রেমজিৎনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি। অনীশুবা মেটচ ওইনা কে সি গ্রাউন্দ খুন্দ্রাকপমদা বি পি ৱাই সি বাসিখোঙ অমদি এস এস সি পোরোম্পাৎনা শান্নখিবদা মেটচকী এস এস সি গী গোল অনী অদু এম দি অউলৎনা ৩৫ অমদি ৪৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

বি পি ৱাই সি গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা হেরোজিৎনা ৭৩ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ১৩ অমদি ৪৮ শুবা মিনটতা বি পি ৱাই সি গী রাৱৈ অমদি নিয়াসতা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

কে অজিৎকুমার, ঐচ অমর্জিৎ, এন ইবুঙো অমদি এম ইনাওনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।



## ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৬

### নোংনা মরম ওইরগা মেটচ মপুং ফানা লোইশিনখিদ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৪ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌদুনা ইম্ফালগী মপাল কংজেবুংদা চথরক্লিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা য়ু এস এ খুরাই অমদি নিসা থাংমৈবন্দগী মেটচ নোংনা মরম ওইরগা অহানবা হাল্ফকী মতুংদা মখা তানা লোইশিনখিদ্রে।

য়ু এস এ অমদি নিসানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ১৮ শুবা মিনটতা নিসাগী কে ঐচ থাংঙন্বা মৈতে না গোল অমা চন্দুনা মেটচ কী অহানবা গোল চনখি।

য়ু এস এ গী শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং অদু গোলমৈ, দিহেম্পু, এন জি সোনা, গীয়াস উদিন, টি সুসিল, এম ধনাচন্দ্র, কে ঐচ জেকি, লেটজগৌ হাওকিপ, পাল্মৈ রম্বো, য়াং খোকাই তিলোং, য়াংমি রাইহিং, নিংগ্রোং জাজো, লেটমিনলেন কিপজেন, পাল্মৈ লিঙম্পু, সোরৈঙম সিমরে, টি ঐচ বিকেস, এস দিবেন, সুটখাম্থাং, জাইমা, এল এলেন কোম, সলমাল খুরসিদ ইফম, থাংমিনলুন, এন প্রেমজিৎ, এন জি তোমর্জিৎ সিংহ নি।

নিসাগী শান্নরোইশিং অদুদি এম দেবেন, এস রোজেন, ও পামেশ্বর, টি দিপক সিংহ, এস জেমস, দেবীদ কে সি ঙাইটে, কে ঐচ নাওতোন সিংহ, এল গৌরো সিংহ, টি ঐচ থাংঙন্বা মৈতে, এস মণিমোহোন সিংহ অমদি শহবাজ নি।

য়ু এস এ টিম ওফিসিয়েলশিং দি টি ঐচ মোচা সিংহ, এসিসটেন্ট মেনেজরদা টি ঐচ সুরজিৎ সিংহ, কোচ তা টি ইবোমচা সিংহ, এসিসটেন্ট কোচতা এম অমর্জিৎ সিংহ অমদি ফিজিওদা টি ঐচ রোবাট সিংহ নি।

নিসাগী টিম ওফিসিয়েলশিং অদুদি মেনেজরদা আর কে শ্যাম, এসিসটেন্ট মেনেঞ্জরদা টি ঐচ বসন্তা সিংহ, কোচতা কে এস ঐচ বিরমাল সিংহ, এসিসটেন্ট কোচতা ঐচ জয়চন্দ্র অমদি ডাক্তর অমদি ফিজিওনা ৱাই হেলানে সিংহ নি।

কে ঐচ ইবুংঙো, এম দি লতিফ, এন অরুন অমদি পি রঞ্জিতানা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

## শন্নপ্পা পাউ

### মণিপুর ষ্টেট লীগ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না ঙরাংদগী হৌদুনা মপাল কাংজৈবুংদা টিম ১২ না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০১৬ গী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা মেটচ অকনবা নোংচুখিবনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রে।

অনৌবা মতম অমা লেপ্লবা মতুংদা মেটচশিং অসি শান্নগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ কো কনভেন্নর অমদি এসিসটেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী ওইরিবা এল জোতিমোরোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অনীশুবা মেটচতা য়ু এস এ অমদি নিসানা শান্নগনি।

অহুমশুবা এফ সি জালেন অমদি নেরোকা এফ সি না শান্নগনি।

## বিষ্ণুপুর সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬

### অমোফা মোইরাংনা কে পি এফ সি খা পোৎশঙবম মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মিনি ষ্টেডিয়ম বিষ্ণুপুরদা চথরক্লিবা দাংমৈ মাজবি কাবুই মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা ১০ শুবা মেটচতা অমোফা মোইরাংনা কে পি এফ সি খা পোৎশঙবম গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অমোফা অমদি কে পি এফ সি না শান্নখিবা মেটচকী গোল অনী অদু হেরোজিৎনা ২৪ শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি অসিফ্না ২ শুবা হাল্ফকী অহাপ্পা মতমগী মরিশুবা মিনট মেটচকী ৮৪ চৎপা মতমদা অমা চনখিবনি।

কে পি এফ সি গী রোহিদ অমদি ব্রোজেন্দ্রোদা রেফরিনা ৫৫ অমদি ৮০ চৎপা মতমদা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

দব্লিউ ইবোয়াই, এন চিংলেম্বা , এম নিলামনি অমদি এল ভুবোননা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

হয়েং জি এম সি ফুবালা অমদি এফ সি মোইরাংনা ১১ শুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

## ইম্ফাল ৱেষ্ট ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন শীন্দুনা এস কে ৱাই সি গ্রাউন্দ অৱাং সেকমাইদা টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা ২৩ শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ৮ শুবা অমদি মপালশুবা মেটচশিং হয়েং শান্নরগনি।

অহানবা মেটচতা এম সি ক্লব খোঙহাম্পাৎকা দব্লিউ এ এফ এ ৱাঙ্গৈইগা নুংথিল পুং ১.৩০ দা শান্নরগনি। অনীশুবা মেটচতা জি সি সি আর ফি এফ লাংজিংগা ৱাই এ সি য়াইস্কুলগা শান্নরগনি।

নাকল অমরোমদা এসোসিয়েসন অসিনা শীন্দুনা গ্রাউন্দ অসিমক্তদা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা ১৭ শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ গী রিভাইজ ফিক্সচর ঙসি ফোংখ্রে।

রিভাইজ ফিক্সচর অসিগী মখা তারকপা ওইনা থা অসিগী ২৭কী নুংথিল পুং ১ দা দি এম রাউন্দ অৱাং সেকমাইদা সি ঐচ আই এ এল লিল্লোং চজিংগা ১০ শুবা মেটচ ওইনা শান্নরগনি।

নুংথিল পুং ৩.১৫ দা দব্লিউ ৱাই সি মালোমগা এস কে ৱাই সি অৱাং সেকমাইগা শান্নরগনি।

তাং ২৮ দা ফার্ষ্ট দিভিজনগী অহানবা মেটচতা কে এফ সি লম্বুলেনগা দব্লিউ এ এফ এ ৱাঙ্গৈইনা শান্নরগনি।

## নুমিৎ হুমনিগী ওইবা গ্রাসরুট লিদর কোর্স

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৪ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা হয়েংদগী নুমিৎ ৩ গী ওইবা গ্রাসরুট লিদর কোর্স ২০১৬ হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ২৮ ফাওবা মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী মিটিং হোলদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বা সিংহ না হৌদোক্লগনি।

কোচ অসিদা মীওই ২০ না শরুক য়াগনি। মীওইশিং অদুদি এল অসারাণি দেবী, ও রোসনি দেবী, এল মাধবী দেবী, ৱাই হেমোলাতা দেবী, এল জুলিয়া দেবী, ৱাই চন্দ্রজিনি দেবী, এন লিম্থোইঙম্বী দেবী, আর কে জনিকিবালা দেবী, এস ঐচ বন্তি দেবী, দি গ্রেস, এন সনাথোই দেবী, দব্লিউ প্রেমাবটি দেবী, ঐচ থোই দেবী, দব্লিউ রাধারাণি দেবী, জেনিতা দেবী, কে এস ঐচ রেনুকা দেবী, কে ঐচ খুঞ্জঙম্বী দেবী, বি নরমান্দা দেবী, এস মণি দেবী অমদি ৱাই বিমোলা দেবীনি। খল্লবা মীওই ২০ অসিনা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৭ তাবা মতমদা ট্রেন্নিং কিটশিংগা লোয়ননা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ওফিস মপাল কাংজৈবুংদা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী এল রঞ্জিৎরোইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং হৌরগনি

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন থৌবালনা শীন্দুনা হয়েংদগী হৌরগা দিষ্ট্রিক্ট অসিদগী অফবা বোক্সরশিং য়োকখৎনবগী পান্দমদা চহি খুদিংগী লেপ্তুনা পাংথোক্কুনা লাকপা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ মলটিপরর্পস কম্মুৎনিটি হোল ৱাংবল থৌবালদা পাংথোক্লগনি হায়না সেক্রেটরী জেনরেল সোটিনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

থা অসিগী ২৮ ফাওবা চথগদবা চেম্পিয়নসিপ অসি মপুং ফানা পাংথোকপা ঙম্নবগীদমক নুমিৎশিং অসিগী মনুংদা মণিপুরদা লৈরিবা এন জি ও শিং, জে এ সি অমদি সিভিল সোইসাইটিশিংনা বন্দ অমদি জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌবিদনবা অপীল তৌরক্লি।

## ৪ মেন ওপন সোক্কর টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৫ ঃ

সন ফ্লৱার ক্লব নরান কোচিন ময়াই লৈকায়না শীন্দুনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থা গী তাং ৪ দগী অনীশুবা সন ফ্লৱার ক্লব ফোর মেন ওপন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৬ হৌরগনি হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী টি ঐচ খেলেন্দ্রো সিংহ না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ৩০ ফাওবা ওইগনি।



ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ঙরাংদগী তোঙান তোঙন্বা গ্রাউন্দ অনী এস দব্লিউ সি খোঙমন অমদি কে সি গ্রাউন্দ খুন্দ্রকপমদা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা হৌখিবা মোইরাংথেম ইবোবি মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ অহানবা মেটচ শান্নখিবা

## ককচিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

### এফ সি অমদি এ আই এফ এ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, আগষ্ট ২৪ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা দি এস এ গ্রাউন্দদা চথরিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা অমশুবা অমদি মরিশুবা মেটচতা এফ সি লমজাও অমদি এ আই এফ এ ইরেংবম মায় পাকখ্রে।

অহানবা মেটচতা অহুমশুবা মেটচ ওইনা দব্লিউ এফ সি লমজাওনা শান্নখিবা মেটচতা এফ সি না গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

এফ সি গী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ৱাই চিঙ্খোনা ৩৭ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা গোল অমত্তা চান্নবা ঙম্নখিদে।

টি ঐচ অরুনকুমার, টি ঐচ দিনেশ্বর, এম বিদ্যাশ্বর অমদি জহিরখন্না মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

মরিশুবা মেটচ ওইনা এ আই এফ এ ইরেংবন অমদি এল ৱাই এ ৱাংঙুনা না শান্নখিবদা এ আই এফ এ না গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

এ আই এফ এ গী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অনীশুবা হাল্ফকী ৫৩ শুবা মিনটতা অবোইচানা চনখিবনি।

এ আই এফ এ গী রাজেস অমদি এল ৱাই এ গী এ দনন্দচন্দ্রদা রেফরিনা ৪৪ অমদি ৫৫ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

টি ঐচ দিনেশ্বর, টি ঐচ অরুনকুমার, এম বিদ্যাশগর অমদি জহিরখন্না মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

## ১২ শুবা হরিচরন ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

জিরিবাম, আগষ্ট ২৪ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন জিরিবাম্না শীন্দুনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা টিম ১২ না শরুক য়াদুনা ১৭ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব–জুনিয়র বোইজ চহি ১৫ অমদি মখাগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ হৌখ্রে।

এন হরিচরন ট্রোফি ফুটবোল হায়না মিংথোনবা ১২ শুবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা পি ৱাই সি না আর ৱাই সি মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুবা মেটচতা এন ৱাই সি না শিলোন ক্লব গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা এ আই স্কুল জিরিবাম ওইরিবা কে করিরাং সিংহ, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট, এম ব্রজকান্তা সিংহ অমদি এন সঙ্কর সিংহ না চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি দোন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

## চান্দেল ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ ২০১৬

### এল দি এল এফ সি অমদি সি ৱাই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ২৪ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলনা শীন্দুনা লীৱা সরাই ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা লিতান দ্রোপ লাইফ ফুটবোল ক্লব এল দি, এল এফ সি অমদি চেংখু ফুটবোল ক্লব সি এফ সি মায় পাকখ্রে।

পুল বি গী এল দি এল এফ সি অমদি পারোলোন য়ুঠ ক্লব পি ৱাই সি না শান্নখিবা মেটচতা এল দি এল এফ সি না গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

এল দি এল এফ সি গী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এস পি থুম্পালিংনা ৫৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ২৮, ৬২ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা পি ৱাই সি গী দি বেঙ্গম, এল দি এল এফ সি গী এস ঐচ বৈজে অমদি পি ৱাই সি গী ঐচ থাম্পুদা রেফরিদা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

পুল অসিগী অনীশুবা মেটচতা সি ৱাই সি অমদি জিওনতলাং য়ুঠ ক্লব জে ৱাই সি না শান্নখিবদা সি এফ সি না গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

সি এফ সিগী গোল ৩ অদু টি এস ৱাংলরনা ২০ শুবা মিনটতা গোল অমা, এস কেজি লোঙম্না ৬১ অমদি অনীশুবা হাল্ফকী অহাপ্পা মতমগী অহুমশুবা মিনট মেটচকীনা ৮৩ শুবা মিনটতা গোল অনী চনখিবনি।

জে এস ৱাই সি গী গোল অনী অদুনা ৱাই খ্রিতোফর অমদি থাউকুং সরলিংনা ৪১ অমদি ৬৭ শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখিবনি।

জে ৱাই সি গী পরপা ভুরিস অমদি সি এফ সি গী কে এল কোলমরিংদা রেফরিনা ২৯ অমদি ৬২ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

হয়েং সুপর লীগ ২০১৬ গী ৮ শুবা মেটচ ওইনা য়ুনাইটেদ লমকাং ফুটবোল ক্লবগা সিরতি ফুটবোল ক্লবকা শান্নগনি। ৯ শুবা মেটচতা লম্বুং য়ুঠ এন্দ কলচরেল ক্লবকা মোন্সাং পান্থা য়ুঠ এন্দ কলচরেল ক্লবকা শান্নরগনি।